## ৱারী মচা

# ফৌদমশেল

*রাজেন খুমুকচম*

খুঙ্গংদা পোকপা, য়াম্না চমজবা মহয়–মশিং নীংথিনা তমহৌদ্রবা মশা–মউদি ফবা পাখঙনি তোমথিন। মাগা হৌমিন কামিন্নরকপী থরোশংদি খুঙ্গংদা পোক্লক্লবসু খুঙ্গংগী পুন্সিবু নাথৈরম্লগা মীরমদা লাইরিক–লাইসু নীংথিনা মতীক চানা তমজবা ফঙলকখি। অদুবু মহাক সরকারগী নৎত্রগা লনাইগী থবক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা ফঙলবসু তৌখিদে। পোক্লফমদা লাক্তুনা খুঙ্গংগী চাওখৎ–থৌরাংগী থবক থৌরমদা পূক্লিং লূপ্লম্মী। ভোৎ লেপ্লে। কারে। নিংথৌ লাইবক যুমদিন্নরমদুনা মিনিষ্টর অমসু ওইরে। মতমগী মতুং ইন্না সরকারগী চেকশিন–থৌরাং ওইনা ইম্ফালগী ক্বাটর অমদা লৈবা তাখি। ক্বাটরদা লৈরে।

নোংমা মফমসিদা ইথা–থাজদনা মীগী ৱা অমা হায়বিদবা য়াদে হায়দুনা তোমথিন লাকই। খূৎলাই পায়দুনা ঙাক শেল্লিবশিংনা লৈকাই খুনগী মীনি হায়রবদুদা অপনবা অথিংবা পীদনা মিনিষ্টরগী মনাক তম্না চঙহল্লকখি। থরোশংগী মনাক য়ৌরবদা মহৌশা মাগী য়াম্না চমজবা মতৌদুদা হায়রকই।

“আই থরোশং, নঙদি মফমসিদা অপাকপা অনানবা ফজরবা টেবল অদুগা থেক্তোক–থেকচিন, উরু–উরু লৈবসু য়াবা চৌক্রিদকা ফল্লদনা য়াম্না নুংঙাইনা লৈরিজাৎনিদনা!”

তোমথিনগী চমজরবা মওং মতৌদু খঙলগসু মিনিষ্টর ওইরবী থরোশং হৈনদবনা লোয়রে। মতৌদুদা চৈরুবসু য়াদ, শাওবসু উৎলুবা ঙমদ খা চিক্তুনা খাঙলগা মাগী ৱাদু নমহৎলগা হায়রকখি।

“তোমথিন, করি লৈরে অমুক্তা লেঙশিল্লু।”

“আই নঙদি ঐঙোন্দবু ব্যবহারগা তৌশিল্লক্লদনা ফমগদবা তল্লেকো।”

লোয়রে, লোয়রে হায়হৈদে হায়নৈ, অদুবু থরোশং তৌফম খঙদদুনা অশাংবা শ্বর অমা হোন্দোক্লগা হায়রকখি।

“তোমথিন।”

মদু তাদে তোমথিন, মঙক্তু থাঙ্গৎতুনা মমীৎ কুপ্তুনা কাদু শিনবা থুংনা কোয়লৈ লৈদুনা য়েংলি। মখা তারকই।

“ঙাইখো থরোশং, নঙগী কাসিবু মখোয়গী ফেলকাদুসু অমত্তা লৈবদি উদে, অদুগা কাসিনা তইং–তইং কয়াদা নুংঙাইরিবা।”

তোমথিনগী মতৌদুদা শাওনীংবদি লাইরদুনা নোক্লীংবদুম ফাওরকখি থরোশং। মখা তারকই।

“অমুক্তা হান্না ফন্নীখো।”

থরোশংগী মতৌদুদা করি খল্লুরবনো খঙদে তোমথিন, হায়বা ইনবা অঙাংগুম তপ্না চংশিল্লক্তুনা চৌক্রিদা ফমথরকই। মখুৎ অনীনা টেবলদুদা নান্দুনা য়েংলি। লেপ্পা লৈতে মাগী মীৎয়েং কোয়রৈ লৈদুনা য়েংলি।

“তাবরা অদুৱাইদা কনা লৈ? হৈ মহীদু অহাওবা গ্লাস অমতং পুথোরকউ।”

হায়বা লোইরম লোয়ফাৎত্রিঙৈদা থংনবা থোঙদগী মী মকোক অমা লীৎথোরকই। থরোশং হাইফেৎ য়েংলগা খঙনবী অমা লৈবগুম্না পীশুমদু খৎখিবগুম তৌই। ফুক হৌগৎতুনা চেনশিনখ্রগা করিনো খরা জুজা তৌনখি। অদুগা অমুক থোরক্তুনা মাগী ফস্ফমদা ফল্লখি। মতমদুদা তোমথিনদি নোকফেৎ–নোকফেৎ তৌনা য়াম্না মোন্দা নুংঙাইনা থরোশংনা ইপোম নাইনা লেঙওৎপদু য়েংদুনা ফল্লি। মতম ইকান কান্নদনা হৈ মহী নীক–নীক লাওনা য়াওরবা ফজরবা গ্লাস অমা ত্রেদা হাপ্তুনা পুথোরক্লগা তোমথিন্দা লানশিল্লকই। তোমথিন হরাউ–হরাউ লৌই, অদুগা হায়রকই।

“নঙগীদি?”

“য়ারে ঐদি থকখিবা কুইদ্রি।”

তোমথিন মহৌশা অঙাং ওইরিঙৈগী চমজবা মতৌদু হৌজিক ফাওবা ইহোং হোংলমদবসিদা থরোশং শাওনীংবা পোক্লম্মী। অদুবু মহাক অশাওবদি খক উৎথোক্লক্লমদে। মপূক্লিংদা খল্লি। খঙগনি ঙসিদি নুপা অমা মতিক থোকপা লাক্লরগে, মানা ঐবু কয়া ৱাহনখিবা মানা ঐবু কপহনখিবা লেম্না থাররোই।

ফজরবা গ্লাস অদু থনকোক তৌনা নীক–নীক লাওরম্বা হৈ মহীদু নাক–য়েৎ য়েং–য়েংদুনা তপ্না–তপ্না খজিক খজিক থকচিনখিবদা লোইনিং লোইমাঙ তৌরক্লে। হৌজিক্তি তোমথিন মাগী তহা–তহাবা মতৌদু খরা খরা মাঙখ্রবগুম তৌরক্লে। তেংনা থক্তোকখ্রবা অহাংবা গ্লাসতু য়াম্না লুম্বা পোৎকুম মখুৎ অনী চংদুনা তপ্না য়াম্না তপ্না টেবল মথক্তা থল্লকই। মবুক থল্লবা মরম ওকপা অঙাং মচাগুম তপ্না–তপ্না উইথরক্লম্মী। য়াররবা হংবগী মতাগুম থোঙ মরুমদগী কোক অমনা মমিৎ খৎলকখি। হোয় হায়গুল্লদনা থরোশংসু মঙক নোমখি। থিম্বদনা টেবলদা ঙাথরকখ্রবা তোমথিন মশা মউ ফরবা নুপা অনীনা থোরক্তুনা চপপোই কোনবোই তৌদুনা কা মনুংদা পুশিনখি।

কা অদু পীকতক–চেংতকই। লৈমায়দু অঙৌবা মার্বল থাই। মীৎহুৎথোঙ মরাং কাইনা পাল্লি, অদুবু নীংথিরবা অতাংবা ফিশিংনা মরুম পীরি। মঙালদি ফাওরকই। অদুবু অচম্বা মীৎয়েংনদি লানশিল্লকপা ঙমগদবা মান্দে। ফমুং অমখক থারি। দবলবেদ হায়বদুনি। ফনা নীংথিনা পাকই। মদুদা থারিবা মোম্পাক ফিন্দাকতু ঙৌশ্রোক ঙৌবদা অঙাংবা অতরগুলাপ্পা হেক শাংত শাংলিবগুম লোল্লি। মনাশিংদুদা পক্লিবা লিক্লাশিংদু হেক কেল্লক্লদবা মাল্লি। ওম্বোক্লা হৈনা লোয়খ্রে, করম্বা খুৎহৈবা খুৎহৈবীনা লোবনো খঙদে। করিগীনো কা অদুনা অহেনবা লৈতেং অতৈ য়াওদ্রবসু অদুক নীংথিরিবা খঙদে। অদুনা মখা তানা হায়নীংদ্রে ৱাহং মখা হংলক্তনবা।

তোমথিন ফমুংদুদা অঙাং শুম্বগুম নীংথিনা শেমদুনা থম্বীরম্লগা নুপা অনীদু মরী মরী তপ্না থোকখিরম্মী। হৌজিক্তি কাসিদা তোমথিন মথন্ত কৈদৌরিবা! নীংথিরবা কাসিগী থোঙ লোনশিনখিবগুম তৌরিবসিনা কন্নানা লোনশিনখিবা ওইরিগবা হংলক্কনু ঐ খঙদে। নঙ অদুম খল্লু।

## তাবুনুংদগী

*(মতম অমদা মণিপুরদা ডা. লৈরেন না এদিটর ওইদুনা ফোঙলম্বা থাগী চেফোঙ ‘‘য়াকাইরোল’’ গী এপ্রিল ১৯৩১ গী খুৎফোঙদা য়াওখিবা ডা লমাবম কমল না ইবা ‘‘মিংচৎ’’ কৌবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা ফোঙজরি)*

### মিংচৎ

কল্লব লৈকং থুগাইদুনা পাম্বী হৌই।
অচৌবা পাম্বীদু নুংশিৎনা ফুক্তোকই।
অকনবা নুংশিৎকী বেগ চীংশাংনা থৎলি।
চীংদু থুগাইদুনা তুরেন্না চেল্লকই।
তুরেলগী ইচেলদু সমুদ্রনা য়োৎশিল্লি।
সমুদ্রনা শাউরক্লগা পৃথিনা থিংলি
নুমিৎনা চাং নাইহল্লি পৃথিবীগী গতি।
মতমগী মনাইনি অদুম্বা নুমিৎতুদি
মতমগী ঈচেননা কসুপ কল্লব,
থৈদুনা চৎলি মিংচৎকী চীংদোল অৱাংবা।
মতম্না কুইরগা ৱাংখৎলকই মাগী চীংদোল।
মিংচত্তনি মীওইবগী মাংদব লল।

## শাইরিককা উন্নবা

এম মনি মৈতৈগী ক্রিটিসিজম, থিওরি অমসুং থিওরিটিকেল প্রেকটিস (২০১০) হায়বা হৌখিবা চহী খরসিদা মণিপুর সাহিত্যদা ফোঙনরকখিবা নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি লমায় ২৯০ পানবা মমলনা লুপা ৩৭০ পীবনি। কলচরেল সিছার্স সেন্টরনা লময়ানবা প্রিন্ট্রেস, কোনুং মমাঙদা ইম্ফালদা নম্লগা ফোঙবনি। মসিদা অইবগী ৱারোল হায়বা অমা য়াওনা নৈনবা ৱারেং ১৩ য়াওই। মদুদি অইবগী ৱারোল, টেক্স অমসুং ক্রেটিকেল পোইটিক্স, ফোক্লোর,কলচর অমসুং লিটরেচর, ফেমিনিজম, রিদিং, অফ্রিকান লিটরেচর, ১৬৬৩ দা ফোক্লোর কম্পরেটিব সিলিব্রেসন ৱারোল, না তাথিবা অহল অমা, এন্টি কোলোনেলিজমগী অর্থ থিবা, পোষ্ট কোলোনেলিজম ঃ থিওরী অমসুং সাহিত্য ‘থিঙস ফোল এপার্ট নৈনবা অমদি মণিপুরী ট্রান্সলেসন, নোবেল, পোষ্ট কোলোনিয়ন, পোইটিক্সঃ কলচরেল ষ্টদিজ হায়রিবশিংসিনি। মহাক্কী নৈনা ৱারেং অপুম্বা মপুং অমদি হায়নিংলিবা ৱাখল পুম্বা ময়েক শেংনা মমুৎ তানা নৈন্নবা হোৎনবা উবা ফংই। ইংরেজি অমদি অফ্রিকান লিটরেচরগী থিওরীশিংবু মরিপুরী সাহিত্যদা পুশিন্দুনা নৈনরকপনা মণিপুরী সাহিত্য হান্না খঙলমদবা কয়া ইনৌ নৌনা পুশিন্নবা হোৎনরকপনা মহাক্কী নৈনা ৱারেং লাইরিক অসি থোইদোক্লা মমল য়াম্না থোকই। মণিপুরগী সাহিত্য অসি অয়াম্বা মোর্ডর্ন পেরিওদ খক্তগী নৈনবগী মীৎয়েংশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা নৈনবনি। নৈনবগী লাইরিক অসিদি পোষ্টমোডর্ন পেরিওদকী লাইরিক নৈনবগী মীৎয়েং ফাওবা লৌশিন্দুনা নৈনৈ। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা পোপুলর কলচরগী নৈনবগী মীৎয়েং অমসু য়াম্না নৌরিবা সাহিত্য নৈনবগী মওং ওইবতা নত্তনা মণিপুরগী পোপুলর আর্ট ফোর্মশিংদু অইবা অসিনা খোমজিন্দুনা নৈনরকপা য়াবা অমদি মচোয় মচোয় ওইনা মতাইদা তাদুনা লৈরিবা পোপুলর ওইবা লানশিং মমি অমত্তা ওইনা খোমজিন্দুনা মখোয়গী মফম অমা পীবা হায়বদি মশক অমদি মহৈ চানিংঙাই ওইবা মশক অমনি। অইবনা অৱাংবা কলচরগী অৱাংবা অমসুং মতোন অদু ফাওনা লৈরবা মায়কৈগী তেন্স কয়াদুবু ইথোক্তুনা থম্বনা মতাইদা ইম্থোক্তুনা অনেম্বা মখলগী কলচরেল পুকচাক্লি লৌনরিবা অদুম্নদি ওইরগা মখোয়বু মীগী মশীং য়াম্না য়াম্বা কলচরগী মনুংদা লৈরিবা বিংলিফ চৎনরিবা পূন্সিগী হিংবগী মথেল ওইনা মীয়াম্লক্তা উবিবা লোনশিং অমসুং পোইটিক্স অদুদা ৱাখল মীৎয়েং থমদুনা ইবা নৈনবনা কলচরেল ষ্টদিজগী নুংগী ওইবা ৱাখলনি। মসিগী মনুংদা পোপুলর ফিক্সন, নুংশি নুংওলদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীশিং নৈনবদা ফোঙলবা মেদিয়াদা ফোঙলবা ফিকচর কয়া কার্তুন য়েংদুনা মতম মতমগী থৌদোক ৱাথোক ৱাহৈ খরদা অর্থ য়াম্না হেন্না ফোঙদোক্লিবা এভর্টাইজগী কলমশিং, ফিল্ম, টেলিভিজন, রেডিওগী শান্ন–খোৎনবা মখলশিং, ফোটো ষ্টুডিও অসিনচিংবা লোয়না চিংই। (লমাই ১৮৫–৮৬) কলচরেল ষ্টদিজগী মীৎয়েং অসি লান্না মীয়াম্না লেঙ ঙমদনা লৈরম্বা থবক কয়ামরু শোয়দনা চোংথোরক্কনি। মহাক্কী লাইরিক অসিদা সাহিত্যগী তেক্স অমবু নৈনগদবসে কলচরগী মীৎয়েং অমা পীরিবা অসিসু থোইদোক্লা মরু ওইবা অমনি।

## চয়োলশিদা সাহিত্যগী পাউ

**জনুৱারি ১৮,২০১৬ নিংথৌকাবা**

তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলূপ, শামুরৌ কৈথেলনা শীন্দুনা মহা কবি অঙাংহল মেমোরিয়েল লেকচর অমা জনুৱারি ১৮, ২০১৬ নিংথৌকাবা নুমিত্তা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী পালিয়ামেন্ট মেম্বর ইকাই খুম্নরবা ডা. টি মৈন্যানা চিফ গেষ্ট, প্রো. এন তোম্বী সিংহ, হান্নগী ভাইস চিয়ারমেন্ট জে এন এম দি এ ইম্ফালনা থৌরম মপু ওইখি। ইকাই খুম্নজরিবা ডা. টি মৈন্যানা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোকখি, লোয়ননা মহা কবি অঙাংহলগী মীতমদা লৈ–শু কৎখি। শৈহৌ ওইনা ডা. কোইজম শান্তিবলা দেবী এসিষ্টেন্ট প্রো. মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অঙাংহলনা ইরম্বা শৈরেং অমা পাথোক্তুনা শৈহৌ ওইখি। পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা লেঙবীরক্লিবা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল থমখি। মথংদা চিফ গেষ্টনা লেকচর অসিগী কোপি রিলিজ তৌখি। লেকচর অসিবু ইংলিসতা ট্রান্সলেট তৌবীখিবা পুখ্রম্বম রাজেন্দ্র সিংহদা শিল্লি–লাংলিবশিংনা অচম্বা খুদোল পোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুগী লেকচর মহা কবি অঙাংহল এন্দ হিস পোইমস ইন দ তুৱেন্টিফাস সেনচুরি স্লেপ মেরিয়েজ, কন্সলটেসন, মৈতৈ য়ার্ন হায়বা হীরমসিদা সহিত্য অকাদেমি এৱার্দি মাখোনমনি মোংশাবনা লেকচর পীখি।

**জনুৱারি ১৮,২০১৬ লৈবাকপোকপা**

নিঙোম্বম পাব্লিকেসননা শীন্দুনা ডা. এন সি সান্তনা ইবা ‘য়েন্নীংথাগীদমক’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি ডা. টি ঐচ মৈন্যা, এমপিনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা মণিপুর প্রেস ক্লব মেজোর খুল ইম্ফালদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা এন জি নোংয়াই হান্নগী মেম্বর মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন্না থৌরমদুগী থৌরম মপু ওইখি। ৱাংখেমচা শমজাই, প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ৱার্কি জর্নেরেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখি। ডা. ধনবীর লাইশ্রমনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি।

চিফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. মৈন্যানা অফবা ফত্তবা হায়বসি পুন্না লৈমিন্নবা পোৎশক অমনি। মরম অদুনা লাইরিক ফোঙবা হায়বসি পুৱারীদা লৈহৌরগদবা অফবা থবক অমনি। লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা থমহৌবা হায়বসি লৈবাক্কী ওইবা কান্নবা অমনি হায়নসু শমজাইনা মহাক্কী ৱারোলদা ফোঙদোকখি।

**জনুৱারি ২০,২০১৬ য়ুমশকৈশা**

অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফালনা শীন্দুনা তাং ২০,২০১৬ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দেব লিটরেচর সেন্টর , ডি এম কলেজ কেম্পস ইম্ফালদা ওইনাম কুবেরনা ইবা ‘পুন্সিগী পাখোং ফোঙসি লাউ’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা প্রো. নাওরেম খোগেন্দ্র, ভাইস চান্সিলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা ফোঙদোকখি। থৌরমসিদা প্রো. থোইদিংজম তোম্বী প্রসিদেন্ট, মণিপুরী সহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা থৌরম মপু ওইখি। লোংজম জয়চন্দ্র রেজিষ্টার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, প্রো. পোলেম নবচন্দ্র প্রসিদেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি ইম্ফালনা গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**জনুৱারি ২১,২০১৬ শগোলশেল**

থুমখোং লাইরেম্বী লাইফমলেন, ৱাংজিংনা শীন্দুনা ‘মাইচৌ খোংনাংথাবা’ অইবা তোনজাও মৈদিংঙু অমদি ‘ঈৱাই–ঈনিল’ অইবা ভোরোত সনসম হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অনী শ্রীনিমাই পুখ্রম্বম, হান্নগী জেৎ ই ও না চিফ গেষ্ট ওইদুনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা ‘মাইবম কুল্লা খুমনচা নীংশিং মনা’ হায়বা অমসু লাম্থোকখি। ডা. সরতচন্দ্র লোংজোম্বা এসোসিয়েট প্রো., দি এম সি ওফ আর্টস ইম্ফালনা লাইরিক অনীসিগী মরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা পেনাগী ওইবা য়াকাইরোল থৌরম অমনসু তিল্লিবা মীয়ামগী পূক্লীং চিংশিনখি

**জনুৱারি ২১,২০১৬ শগোলশেল**

সাহিত্য অকাদেমি অমদি অশাংবা কমিউনিকেসন, অনীনা পুন্না শীনবা লিটরেরী ফোরমগী থৌরম অমা দেব লিটরেচর সেন্টর, ইম্ফালদা পাঙথোকখি। থৌরমসিদা নুংলেপ্পম শ্যামকন্হাইনা ইবা ‘ইম্ফালদা মারৱারীশিংগী খুন্দারোল অমদি অতৈ ৱারেংশিং’ অমদি টিপুরাদগী খোইস্নাম মঙ্গলনা খোমজিনবা ‘মালেমগী লৈমায়দা মণিপুরশিং হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনীসু ফোঙখি। থৌরম অসিগী থৌরম মপু এল উপেন্দ্রো শর্ম্ম দাইরেক্তর জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফালনা থৌরমগী থৌরম মপু ওইবীখি।

**জনুৱারি ২১,২০১৬ শগোলশেল**

উকল ময়ায় লোইশঙনা শীন্দুনা অচম্বা থৌরম অমদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাই শঙলেন হঞ্জবা মোইরাংলালহাবা এলাইজ রাধামোহন থোকচোমনা ইবা ‘পুয়াগী ৱারী শিংবুল’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা উকলগী প্রসিদেন্ট চনম পারিহল মৈতৈনা ফোঙখে।

থৌরম অদুদা জে এম পব্লিকেসন কৈশামথোংগী কব্লিসর লোংজম সোমোরেন্দ্রো, কশালগী প্রসিদেন্টনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

## শৈরেং

### ঐনা তৌবদা থিংবিগদবা কনানো?

*খুরাইজম ইবোবী*

সোরোকসে কার্পেট থাজিল্লু
ডিকোরেসন শেম্নবা মী কৌ!
ঐগী সরকার কায়বা য়াদে
প্রজা কায়বদি কায়সনুনা।
মখোয়দি ঐখোয়না পৈশানা লৈখ্রবনি।।
মখোয়দা পীননবা শেল থিবদা
ঐখোয়না ৱাখিবা মখোয় নিংশিংপোত্তে।
মখোয়না ৱাদনা কনানা ৱাগনি
অফবা মীশক খনবসু হৈতনা
শেলদা লাইচুরবা প্রজানি।।
শেন্দোং তানবা য়াগদবা লম্বীশিং
ঐখোয় মাংহনবা অমত্তা য়াদে
প্রজানা ধারনা কয়া তৌরবসু
চীংগী প্রজাশিংনা ব্লোকেদ কৌরবসু
ঐখোয়নদি চীংদদি চৎলরোইদনা।।
কুকি ময়াম চংলকইবসে
ঐখোয় খঙই মখোয় মীতোপ্নি।
ঐখোয়বু ভোট কাহল্লকখিবনিনা
মখোয় তাম্থোকপা য়াদেকো
মখোয়না তৌনিংবতা তৌজসনু।।
ঐ শিদ্রগা লোইরে
শেল পায়দবা য়াদে
ভোট মতম য়ৌরক্কদৌরে
প্রজা লৈন্নবা শেনফু
শেমহৌরো মন্ত্রি ইবুংঙোসা।

### উয়ুং ফুকপা

*–আরকে বিমোল*

থম্মোই কায়রে ঐদি
চাউখৎ খোংথাং উদে
উয়ুংদুদং ফুক্নবা হোৎনৈ
অদুক ৱানা য়ুংখিবা
মীয়াম হৌনা নুংশিনা
চাক চয়োমচা, উতোং চাকচা
করী থোক্লে ঙসিনা
হোৎনরি নঙনা মুৎথৎনবা খোঙ্গুল।
মহুৎতা চেনশিল্লু উৎলু
মালেমদা শক্তম অমতং
ঐখোয় লৈরী ঐখোয় হীংলি
মাঙহন্দুনা অরেম্বদা মতম লেল্লি
য়ুংঙম্বনি ৱানা মপু মাবু নীংশিংনা
তারুনা মীগী মপাউ
য়েংউ উয়ুংদা নুংশিদ্রা
কয়া ৱানা য়ুংখিবা।
শেমশিল্লু ফজহল্লু উৎনবা
মদুনি নঙগী নথৌ
নঙগী ঐগী লেংহৈদ্রবা
কদাইদনো নঙনা চৎতোইনা
মফম কৈদা লৈররোই
নক্লবা ৱাহৈ নঙগী ঐগগী
তপথৌ ফিংগৎখিনু
য়েংউ য়ুংলিবা উয়ুংসি।

### ‘‘কংলৈ ইরমদম লমদা শৈথাবা’’

*মৈহৌবম মনিচন্দ্রা সিংহ*

শলাই তরেৎকী ফীরাল হাইগৎপা লম।।
চীংলোন মাপল কোইশিবা লম।।
জাৎ–সুন্না লৈতেংবা লম।।
কংলা শাগী মকোল অহুম মাইয়োল।।
নিংশি খুভম ওইবা লম।।
অশাংবা ফীজোল মচু হৌরকপা লম।।
কংলৈ মকোল ফীরুপ শাবা লম।।
পীক্লবা লমদম ওইরবসু মগুণ তোমথি ঙালবা লম।।
জাগোই,ঈশৈ, শৈরোল লৈথেক ইন্না তপ্না মঙল ফংবা লম।।
শঙাই শাগী হৌরকফম লম।।
লোক্তাক ইয়াং খম্বা–থোইবীগী শাগোন্নরকপা লম।।
নুপী লান কমপ্লেক্স মতমগী নীংশিং মেমোরিয়ল ওইবা লম।।
নোংদা লাইরেল পাখঙবগী শক্তি পানবা লম।।
লাই লৈবাক কংলৈপাক শক্তি পানবা লম।।
থাইন্নগী নিংথৌ হাক্তক্তগী থৌম্না ফবগী লিংজেল ফুক্তোকপা লম।

### পম্থৌ পালেম ৱারক চেৎপনা

*মনিচন্দ্র সিংহ*

য়েংঙু য়েংঙুবা মাইকৈদা
ইম্থোল শম্বল ইখা খাজিন।।
ঙাওজরিবা ইথক ইপোম লৈরাবসু
চেম্থোফক লৈতবনা ইমুংদা পীরাং চেম্বুবগুম
আশাওবা ফীভমদা থৱাই ঙৌরি।।
করিদি উপাই লৈ খোইবু কয়ানা ঙাইজরিবা
শক্তি পাঙ্গল ফুদোকপসু ঙমদে।।
নুজা ওইবা মপোক্তা পোক্লবনা
শিন হৈরবা পালেন পম্থৌ তৌশিন্ন।।
কলকচাবা খোইমু কয়াদি
নিংথম থাদা মৈ, কালেম্থাদা উরুম
পাম্বগুম চপ মান্নখ্ররে।।
থা গ্রহর লাকপগুম থাদোকপীরকতবা
ইখৌ লাংজবা খোইমু ঐনা।
মসি ওইরে তাইবং পানবগী লিচৎ।
পাল্লবসু লেক্তুনা তোকই।
ইরল লৈতনা শঙ্গোম থকপগা মান্নখ্রে।
শঙ, শঙলগা উন্নদনা তোক্লে।
নিজবা অমা কাইদুনা তোক্লে।
পামজরুবা নুজা কাইনরক্তা বীদ্যাই।।

### ঙসিদি মহাক ফজরম্লে

*ওইনাম কুবের*

অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ শান্নমিন্নৈ,
ফুবসু ফুনৈ অমুকসু চান্নৈ।
নোংমনা মানা ঐগী চিনবান শিকতৎলি,
নোংমনা ঐনা মাগী মরিক থদৎলি।
খৎনরগা থোইনা হেন্না উনিংই,
করম্না চান্নবা হৌসিগে মনিংই।
মীৎ ফাকচিল্লকপদা মহাক্লা,
শুগত্তুনা খাঙই ঐহাক্লা।

মতমগী য়াওন তুংইনবা
চিরোল হৈবা বসন্ত মালংবা,
নাপদ চিরোল তৌরকই,
অপাম– নুংশি পোকহল্লি থাম্মায়দা।
মতম মাগী পোইরৈনুংদা
যৌবন বসন্তগী অয়ুক অমদা তনিকখি হকচাং মহাকপু উবদা
শেংনা মমি তারকপদা থম্মোয়দা!
মিৎচিনা হাইফেত্তং য়েংলকখিবা
নোকফেৎ তৌনা মরু লুকথখিবা
মমাঙঙৈগী অচম্বা মীৎয়েংদু নত্তে,
মমাঙঙৈগী অচম্বা শক্তমদু নত্তে।
শাফু কনবা বসন্ত মালংবা
হুমজিল্লি মহাক তম্না ঐবু,
উনা ৱানা খিবিক্লা লক্লখি ঐবু
জ্বাই জ্বাই খুবাক খুরদুনা ।

### মীৎনা মীদা

*রনবীর সারুংবা*

নুপীদুনা মশাগী হকচাং
মথন্তা ককথৎচৈ
নুপা মানবদগী হেন্দোকপা
মশাগী হকচাং কয়াৎ
খেন্নহল্লিবা শরুকশিং
মফি শেৎচিল্লবা মতুংদা
মান্ননবা চপ, চপ মান্ননবা
খোন্নহন্দনবা অমুক হন্না।
খেন্নরিবা অসিননি মহাকপু
অতোপ্পা মীৎয়েং অমা য়েংলক্তুনা
তোঙাল্লবা মতৌ শাগৎনদুনা
মিহৌবা মতৌ উৎলিবসি!
মসিননি
মীয়াম মমাঙগী দ্রৌপদি
শ্রীকৃষ্ণ য়াওদনা শাহনখিবদু।
মদু অতৈ নত্তে,
নুপাদগী অহেনবা ওইরিবা
হকচাংগী কয়াৎ অসিননি।
মহৌশাগী মশাইগোন্দা
পুন্না হিংমিন্নবা
তাইবং মপুনা থারক্তুনসু
অপুনবৈ শক্তমদি
শাগৎপা ঙমদে
পানবিরম্বনা য়েংননবা মীৎ
করম্না পোকহনবা ৱাখল
কল্লক–খম্ননবা পূক্লিং
য়েৎশিন্নদুনা লৈ।
মীগী শরুক্তগী ইশরুক
শাগৎনবা হোৎনৈ তত্তনা।
লৈবাক্কী
খুন্নাইগী মীওইবৈ
মীয়ামগী লোনচৎনা ফারিবা
হিংমিন্নবগী লৌরি মথক্তা
খারিবা পল নমখায়দুনা
ঈশিং হেন্না থাজিন্দুনা
লৌ পানবা য়াহনখিদে
ফৌহাম ঙাক্তা শাত্তুনা
চরু মকুম
পাক্তক্লা পাইথোকখি।।